# ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিল্লগনি ইম্ফাল ৱেষ্টনা গোল্ড মেদল ১৩ ফংখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ১০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৫ রক শুবা সব জুনিয়র, ২২ রক শুবা জুনিয়র, ২৭ শুবা সেনিয়র, নুপীগী ৪ শুবা সব জুনিয়র, নুপীগী ৮ লক শুবা জুনিয়র অমসুং নুপীগী ১৪ রক শুবা সেনিয়র ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ হয়েং লোইশিল্লগনি।

পুন্না শান্নরোই ৩১৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা বাউট ৪০ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড মেদল ১৩ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজ এ-৫০ কেজিগী ফাইনেলদা এন এস এগী কে ঐচ সুসান্তানা বিষ্ণুপুরগী বি উশাকান্ত মায়থিবা পীখ্রে। এ-৫৪ কেজিগী ফাইনেলদা এম আর ভি এফকী এম দি ইটাসখান্না ইম্ফাল ইষ্টকী এম বোবোসনা মায়থিবা পীখ্রে। এ-৫৭ কেজিগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে ঐচ য়াইফবনা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ বোইচা মায়থিবা পীখ্রে। এ-৬০ কেজিগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী এন ধনেশ্বরনা এন এস এগী কে ঐচ মনিহার মায়থিবা পীখ্রে। এ-৬৩ কেজিগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ বিজেন্না থৌবালগী ৱাই য়াইফবা মায়থিবা পীখ্রে। এ-৬৬ কেজিগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম ইশ্বরচান্দনা ইম্ফাল ইষ্টকী এ বিনোদচন্দ্র মায়থিবা পীখ্রে। এ-৭০ কেজিগী ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী এল দোনোয়না উখ্রুলগী রাহুল থাপা মায়থিবা পীখ্রে। কেজি এ-৮১ মথক্কী কাঙলুপ্তা থৌবালগী এল গিৎনা বিষ্ণুপুরগী এস রানা মায়থিবা পীখ্রে।

জুনিয়র মেন ৪৯ কেজিগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম বিগ্যানন্দনা বিষ্ণুপুরগী এস রতন মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৫২ গী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ মালেমঙানবনা থৌবালগী এল শান্তিকুমার মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৫৬ কী ফাইনেলদা থৌবালগী ও ব্রেমদোন্না নেশনেল স্পোর্টস একাদেমিগী টি মেনাও মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৬০ গী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম জোনসন্না এন এস এগী এল থোইথোইবা মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৬৪ গী ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী জোনসন্না থৌবালগী পিটর এলাংবম মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৬৯ গী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বিশ্বানাথ হৈক্রুজম্না বিষণুপুরগী ৱাই লোয়াঙম্বা মায়থিবা পীখ্রে।

সেনিয়র মেন কেজি ৪৯ গী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ পাওলিনকুমার, বিষ্ণুপুরগী এস সুরেস মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৫২ গী ফাইনেলদা এম আর বি এফকী এম দি ইব্রাহিম খান্না মণিপুর পুলিসকী ও ইনাও মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৫৬ কী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ য়াইফবনা থৌবালগী ৱাই সন্তোস মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৬০ গী ফাইনেলদা মণিপুর পুলিসকী এস জিতেন্না এম আর বি এফকী ৱাই প্রিয়োমীতৈ মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৬৪ গী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল চিংলেম্নানা বিষ্ণুপুরগী এন বিমোল মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৬৯ গী ফাইনেলদা এম আর বি এফকী হেরোজিৎ চিংঙাংবম্না মণিপুর পুলিসকী টি ঐচ জেল মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৭৫ কী ফাইনেলদা মণিপুর পুলিসকী ৱাই সনামচানা থৌবালগী টি ঐচ অভিজিৎ মায়থিবা পীখ্রে। কেজি ৮১ গী কাঙলুপ্তা মণিপুর পুলিসকী এল ধনচন্দ্রনা থৌবালগী ও সুরজকান্ত মায়থিবা পীখ্রে।

সব জুনিয়র ৱুমেন’স কেজি দি-৩০ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরগী এম রোসমেরিনা এম আর বি এফকী এম বরিনা মায়থিবা পীখ্রে। কেজি দি-৩৪ গী ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী টি ঐচ অপসারানা সেনাপতিগী এস মালেম মায়থিবা পীখ্রে। কেজি দি-৩৬ কী ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী বিদ্যা মৈস্নাম্না সেনাপতিগী আই অঞ্জলি মায়থিবা পীখ্রে। কেজি দি-৩৮ গী ফাইনেলদা এন এস এগী মলিনি দাসনা থৌবালগী এল কলপনা মায়থিবা পীখ্রে। কেজি দি-৪০ মখাগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ অঞ্জুনা থৌবালগী এম সুসিমা মায়থিবা পীখ্রে। কেজি দি-৪৪ গী ফাইনেলদা এন এস এগী লালিনচনি পাওতুনা ইম্ফাল ইষ্টকী এল খৃষ্টিনা মায়থিবা পীখ্রে।

# কৃষ্ণনোগী হেটট্রিক্কা এফ সি ইম্ফাল ময়াইকোইবি চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৬ ঃ
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরকপা ১৭ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ৱিন্নর এফ সি ইম্ফাল ময়াইকোইবিনা ওইখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ভেটরান ফুটবোল টিম ২০ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথরকখিবা চেলেঞ্জ কপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা এফ সি ইম্ফাল ময়াইকোইবিনা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা চেলেঞ্জ কপগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা এফ সি ইম্ফালনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ১০ গী শেলগী মনা ফংখি।

এফ সি ইম্ফালগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোই ষ্ট্রাইক্কর টি ঐচ কৃষ্ণনোনা গোল অহুম থংন-থংননা চন্দুনা হেটট্রিক ফংখিবগা লোয়ননা মহাক্কী টিমবু ৱিন্নর ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাঙখি। এফ সি ইম্ফালগী কৃষ্ণনোনা গোল অহুম অদু মেচকী ১১, ৩৯ অমসুং ৬৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচকী অহানবা গোল স্কোররদা পীবা মনাসু এফ সি ইম্ফালগী টি ঐচ কৃষ্ণনোনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ স্কোররনা রন্নর্স-অপ তাখ্রবা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংগী এ জয়েন্তনা তাখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না গোল ৭ চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট গোল কিপরনা ৱিন্নর ওইখ্রবা এফ সি ইম্ফালগী কে ঐচ রঞ্জিৎনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিফেন্দরনা ফুটবোল ভেটরান ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী কে ঐচ খেলেন্না তাখি। এফ সি ইম্ফালগী টি ঐচ কৃষ্ণনোনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র তাখি। টিম অসিমক্কী শান্নরোই এল সুরচন্দ্রনা বেষ্ট মিদফিল্ডরগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফেয়র প্লে অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনানা শ্রীটি চান্দেলনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নখিবা টিমনা ভি এস এ এন নম্বুলমপালনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেন ওফ দ মেচনা ক্লামগী কে ঐচ সনাতোম্বা, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেন ওফ দ মেচনা এফ সি ইম্ফালগী টি ঐচ কৃষ্ণনোনা, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেন ওফ দ মেচনা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দগী টি শ্যামনা অদুগা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেন ওফ দ মেচনা য়ু ভ এ লিলোং চজিংগী টি ঐচ তোম্বনা তাখি।

অহানবা সেমি ফাইনেলগী মেন ওফ দ মেচনা এফ সি ইম্ফালগী য়ু লোকেনবাবুনা অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলগী মেন ওফ দ মেচনা য়ু ভি এস এগী এ জয়েন্তনা তাখি।

ফাইনেল মেচ অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস রেঞ্জ ৱান আই কে মুইভা (আই পি এস), মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজম, সেট্টলমেন্ট লেন্দ রেকোর্দ এন্দ লেন্দ রেভিন্যুগী দিরেক্টর সোমোরজিৎ সলাম, রমসাগী এদিসনেল ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর এল নন্দকুমার, এম সি এস অমসুং সব রেজিষ্ট্রার হেদ ক্বার্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট টি ফুলেন, এম সি এসনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা শান্নরোইশিংদা মনা য়েন্থোকখি।

# সেভেন এ সাইদ মেন’স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
কছার রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ক্রাও) সগোলবন্দ খম্নাম বজারনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী হোকি গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী চথরিবা অহানবা সেভেন এ সাইদ মেন’স ওপন ফুটবোল টর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচ অনীদা এ ৱাই দি সি অখাম অমসুং দল্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোম মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৫ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এ ৱাই দি সি অখাম্না ৱাই এফ সি টিম এ তোংব্রম লৈকাই গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এ ৱাই দি সিগী শান্নরোইশিংনা গোল অহুম চন্দুনা মায় পাকচরবসু মেচকী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। হাফমতুংদা এ ৱাই দি সিগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা গোল অহুম মথঙ মথঙ চনশিন্দুনা মেচ মায় পাকখি। টিমদুগী অহানবা গোল গুংনা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা, সেমিওন্না টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা অদুগা বিমনা টিমগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দল্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোম্না টি ৱাই সি লৈকালুং গোল ৫-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা দল্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোমগী রাহুলনা গোল অহুম মেচকী ৯, ১৯ অমসুং ২১ শুবা মিনিটতা চনখি। বিপিন্না টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা অদুগা দেনেলনা টিমদুগী ৫ শুবা গোল মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি। টি ৱাই সিগী অহানবা গোল পিকেনা মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা, হেনরিনা টিদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা অদুগা এন্থোনিনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ট্রান্সফর

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ট্রান্সফরগী ঙরাং মঙানি চনবা নুমিৎতা শান্নরোই ১৭৭ না ট্রান্সফরগীদমক চেপীশিনখিবগা লোয়ননা ঙসি তরুকনি চনবা নুমিত্তা শান্নরোই ৩৬ না ট্রান্সফরগী চেপীশিনখ্রে। ঙসি ফাওবদা পুন্না শান্নরোই ২১৩ না ট্রান্সফরগীদমক চেপীশিনখি।

ঙসি ট্রান্সফরগীদমক চেপীশিনখ্রবা শান্নরোইশিংগী মরক্তা লমদমসিগী মমিং লৈরবা ষ্টেট লীগকী শান্নরোই কয়া য়াওরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা এস এস য়ুদগী লোইতোংবম দেৱান্না এইমদা, এস এস য়ুগী থাংজম সন্তোসনা এইমদা, নিশাগী এন বোরিসনা এইমদা, এইমগী লাইশ্রম অজিৎকুমারানা লাসালদা, নিশাগী থিঙুজম সুরজিৎনা এইমদা, এফ সি খঙলাইগী থিঙোম বোনানা নাকোদা, এফ সি খঙলাইগী নিংথৌজম প্রিতম্না এইমদা, ক্রুগপুগী ৱাই ইনাওনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদতা, য়ু এস এগী থাংতিনপাও খোংশাইনা এফ সি জালেন্দা, এফ সি খঙলাইগী গ্যাসউদ্দিন্না অবাদা ট্রান্সফরগী তৌখ্রে।

# টি বি এস এফ এনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ২০১৭ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর ১৭ ৱর্ল্ডকপকী ইন্দিয়ন টিম শেম্নবগী শান্নরোইশিং খনগৎপদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৮ য়াওখিবা অদুদা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিগী শান্নরোই মরি খল্লকপদা একাদেমি অসিনা হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

শান্নরোই মরি অদুদি অনাও গোলমৈ, এ সুরঞ্জয়, জয়স্না অমসুং কিনিসনি। অমরোমদা মমাং থাগী তাং ১৯ দগী ২৮ ফাওবা রিলাইন্স ফাউন্দেশন য়ঙ চেম্প সেলেক্সন কেম্প পাঙথোকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী আই এস এল গ্রাসরুট প্লেয়র ২৮ খনবদা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিগী শান্নরোই অনী গুনান্দো অমসুং রোনিক ইন্দিয়ন সুপর লীগ একাদেমি মুম্বাইদা স্কোলরসিপ পীদুনা লৈনবা খল্লকপদা একাদেমি অসিগী মাইকৈদগী শান্নরোইশিং অসিবু য়াইফ মঙ্গল পীবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা অচৌবা মতেঙ পাংবা ওইরসনু হায়রি।

# বেজবোলগী কোচিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
মণিপুর অমেচর বেজবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা নন রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প অমা নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ৭ কী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

সন্মর কোচিং কেম্পগা মরী লৈননা নোংমাইজিং খুদিংগী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা নন রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়ানিংবা এসোসিএশন্দা এফিলিএট তৌরবা ক্লব, য়ুনিট অমসুং বেজবোলগী শান্নরোইশিংনা হায়রিবা কোচিং অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।

# চেম্পিয়ন ওইরক্লবা টি আওগী টিম ওক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
হন্দক্তা অসামদা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা এন ঈ সি ডোঃ টি আও মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ৱিন্নর ওইরক্লবা মণিপুর ফুটবোল টিম ওকপগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক লৌরেম্বম লৈকাই লাইরেম্বী মনিংদা লৈবা অম্ফাগী ট্রেজরর এন দিনমনিগী য়ুমদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ভোল্লিবোল কোচকী কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল কোচেস কোর্স অমা থা অসিগী ১৫ দগী ২৬ ফাওবা থৌবালগী ৱাংজিং সাবল লৈকাইদা লৈবা ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন্দা এফিলিএট তৌরবা ক্লব অমসুং য়ুনিটশিংদগী মীওই ২/২ কোর্স অসিগীদমক্তা থারক্কদবনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোল এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এন জি ইনাওচাদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী ১৫ ফাওবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএশনগী মিটিং হোলদা নুংথিল পুং ১ দগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর অসিগীদমক্তা মীওই ৬ না শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। কম্মিটি অসিগীদমক্তা খল্লবশিংদি মনিহার, জানেখান, সহিদ রসিম, মোধুচন্দ্র, ইরাবোত অমসুং অবদুলনি।

# মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ
কর্ণাটাকাগী কোনুং বেঙ্গলোরদা লৈবা শ্রীকান্তিরভা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মমাং থাগী তাং ২৫ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৬ শুবা এম টি আই জুনিয়র অমসুং সব জুনিয়র নেশনেল মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ দা শরুক য়ারুবা মণিপুর অমেচর মুইএ থাই এসোসিএশনগী শান্নরোইশিংনা চেম্পিয়ন ট্রোফি লৌরক্লে।

কর্ণাটাকা মুইএ থাই এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা সব জুনিয়র নেশনেল মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৩০, সিলভর মেদল ১৫ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংদুনা চেম্পিয়ন ট্রোফিগী টাইটল লৌরকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী শান্নরোই ৪৬ অমসুং ওফিসিএল অহুম্না শরুক য়াখি।



HL-P/5322/4-5 to 3rdjuly













HL-B/2511/19/5-18/6



HL-B/2409/19/5-18/6

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com